# ইন্দিয়ন ক্রুপশিংনা সিক্কিমদা ঙমখৈ লানশিল্লকপগী চাইনানা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে



বৈজিং, জুন ২৭:

চাইনানা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ইন্দিয়াগী ক্রুপশিংবু সিক্কিম সেক্সনদা ঙমখৈ লানশিল্লকখি হায়না মরাল শিখ্রে অমসুং ক্রুপশিংদু খুদক্তা হন্দোকখিনবা দিমান্দ তৌখ্রে।

ক্রুপশিং খুদক্তা হন্দোক্লবা দিমান্দ তৌবগা লোয়ননা চাইনানা বোর্দরদা ওইরক্লিবা ফিভমদুদা য়ুম্ফম ওইরগা ইন্দিয়ন পিলগ্রীমশিংনা কাইলাশ মনসারোভরদা চৎনবগী লম্বী ওইরিবা নাথুলা পাস থীংজিনখ্রে হায়রি।

সিক্কিমগী বোর্দরগী ওইরক্লিবা ফিভমদুগা মরী লৈননা চাইনানা ইন্দিয়ন ক্রুপশিংবু সিক্কিম সেক্টরদা চাইনাগী লমগী শরুক্তা লো কাইবা মওংদা চংশিল্লকখি হায়না ন্যু দিল্লি অমসুং বৈজিং অনীমক্তা ইন্দিয়াগী মায়োক্তা দিপ্লোমেটিক পাম্বৈনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে হায়নসু বৈজিংনা ফোঙদোকখি।

ঐখোয়গী অচেৎপা ফীরেপ শেংনা খংহল্লদুনা বৈজিং অমসুং ন্যু দিল্লিদা প্রোটেষ্টকী ৱারোল পীশিনখ্রে হায়না বৈজিংদা চাইনিজ ফোরন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সপার্সন সুকাংনা মিদিয়া ব্রিফিং অমদা হায়খি।

ঐখোয়গী টেরিটোরিয়ল সোভরন্টি কাইহন্দনবা থম্বা হায়বসি ঐখোয়গী হোংবা নাইদ্রবা অচেৎপা ফীরেপনি। মায়কৈ অসোমদা ইন্দিয়ানা চাইনাগা পুন্না থবক তৌমিন্নদুনা চাইনিজ বোর্দরদা চংশিল্লকখিবা পার্সনল কাংবুদু খুদক্তা হন্দোকহনখিবা পামই হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

চাইনানা হৌখিবা অহিংদা ফোঙদোকখিবা অমদা বোর্দরগী ৱাফমদুনা মরম ওইদুনা খুদোংথিবা থোকহন্দনবগীদমক্তা নাথুনা লম্বী ফাওরগা টিবেটতা চংনবা হোৎনরিবা ইন্দিয়ন পীলাগ্রিমশিংবু মফমদুদা চংথোক চংশিন তৌবা থীংখ্রে হায়খি।

চাইনানা ইন্দিয়াদা ঙমখৈ লানশিল্লকখিবা বোর্দর গার্দশিং খুদক্তা হন্দোক্লবা অমসুং ৱাফমশিংগী মতুংদা মপুং ফাবা ইনভেষ্টিগেসন অমা পাঙথোক্লবা তকশিল্লি গেং সুৱাংনা ফোঙদোকখি।

হন্দক্তা বোর্দর গার্দশিংনা চাইনা ইন্দিয়া বোর্দরগী সিক্কিম সেক্সনদা ঙমখৈ লানশিল্লকখি অমসুং চাইনাগী লম শরুক্তা চংশিল্লকখি লোয়ননা মখোয়না চোংলাং এরিয়াদা লৈরিবা চাইনিজ ফ্রন্টিয়র ফোর্সশিংগী নোর্মল এক্তিভিটিশিংদা অপনবা থোকহনখি। ফীভমদুদা চাইনাগী মায়কৈদগী লৌখৎফম থোকপা খোংথাংশিং লৌখৎলে হায়না গেং সুৱাংগী ৱারোল অমনা হায়খি।

লম্বী শাবগী ৱাথোক্না মরম ওইদুনা চাইনানা ইন্দিয়াগী পিলগ্রিম ৪৭ কাইলাশ অমসুং মনসামোভারদা চৎনবা সিক্কিমগী নাথু লা বোর্দর ফাওরগা চৎপদা অথীংবা থমখিবনি।

ঙরাং চাইনাগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন রেন গুওকিয়াংনা হায়খি মদুদি, চাইনানা হন্দক্তা দোলাং রিজলদা লম্বী অমা শাবা হৌখি, তৌইগুম্বসুং মদু লাইন ওফ একচ্যুঅল কনট্রোল (এল এ সি) লানশিল্লকখিবা ইন্দিয়ান ক্রুপশিংনা লেহনখি।

# য়ু এস, ইন্দিয়ানা পাকিষ্টানদা টেররিষ্টশিংদা লম শীজিন্নহন্দনবা তকশিনখ্রে



ৱাশিংটন, জুন ২৭:

য়ু এস অমসুং ইন্দিয়ানা পাকিষ্টানদা লৈবাক অসিগী টেরিটরিবু অতৈ লৈবাকশিংদা টেররিষ্ট এতেকশিং চথবদা শিজিন্নহন্দনবা তকশিনখ্রে।

য়ু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্প অমসুং ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা নিংথৌকাবা নুমিৎকী অথেঙবদা মীফম অমা পাঙথোক্লবা মতুংদা থোকখিবা অপূনবা ষ্টেটমেন্ট অমনা পাকিষ্টানদা ইন্দিয়াগী মুম্বাই, পাথানকোট অমসুং অতৈ ক্রোস-বোর্দর টেররিষ্ট এতেক কয়া চথখিবা মীওইশিংবু মরালগী মতুং ইন্না চৈরাক ফংহনবগী থবকশিং থুজিন্নবসু আপিল তৌখ্রে।

লুচিংবা অনীগী ষ্টেটমেন্ট অদুনা ফোঙদোকখি মদুদি, ত্রম্প অমসুং মোদিনা টেররিজমবু মতম চানা থেংনগদবা মালেমগী অচৌবা প্রোব্লেম অমনি অমসুং মালেমগী মফম কয়াদা লৈরিবা টেররিষ্টশিংগী অকোম্বা লোৎফমশিং মরু ফংনা মুথৎকদবনি। মীওইবা খুন্নাইদা পীরিবা শাথিরবা শিংনবসিগী মায়োক্তা ইন্দিয়া অমসুং য়ু এসনা পুন্না থেংনমিন্ননবা মখোয়না লেপ্লে।

# ‘প্রসিদেন্ট ত্রম্পকী অমেরিকা ফার্ষ্ট পোলিসি নাজিজমগী অমেরিকান ভর্সননি’



পিয়োংয়াং, জুন ২৭:

অহানবদা অমেরিকা হায়বা প্রসিদেন্ট ত্রম্পকী পোলিসিবু কন্না ত্রিতিসাইজ তৌরদুনা নোর্থ কোরিয়ানা ঙসি হায়খ্রে মদুদি, ত্রম্পকী আইদিয়া অদু নাজিজমগী য়ু এসকী ভর্সন অমনি।

ষ্টেটনা রন তৌবা কোরিয়ন সেনট্রেল ন্যুজ এজেন্সি (কে সি এন এ) না ত্রম্পকী অমেরিকা ফর্ষ্ট পোলিসিবু ২১ শুবা চহীচাগী নাজিজমনি হায়না ফোঙদোকখি অমসুং মদুনা মমাঙগী চহীগী ফেসিজমদগী হেল্লি হায়খি।

অমেরিকা ফার্ষ্টকী ৱাখল্লোন অসি শাথিবগী চাংদা মমাংগী চহী চাদা লৈখিবা ফেসিজমদগী য়াম্না হেল্লি হায়না কে সি এন এনগী রিপোর্ট অদুনা হায়খি। নোর্থ কোরিয়াগী মতুং ইন্না, ত্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসননা চৎনরিবা নেস্নেলিষ্ট পোলিসি অসিনা এদোল্ফ হিটলরনা পামখিবগুম্না কা হেনবা অকল অরিং শিংবগী থৌওংগী খুৎথাংদা মশাগী কান্নবদমক য়েংদুনা অতৈ লৈবাকশিংবু ঙকথি চপনবা হোৎনরি।

মসিগী পোলিসি অসিগা লোয়ননা য়ু এসনা নোর্থ কোরিয়াগুম্বা অতৈ লৈবাকশিংগী নিংতম্না লৈবা অমসুং চাওখৎচনবগী হক খোঙ্গাওনৈ হায়না রিপোর্ট অদুনা মখা তাখি। কে সি এন এগী ৱারোল অসি ত্রম্পনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা হ্বাইট হাউসতা নোর্থ কোরিয়াগী মতাংদা অকনবা ৱাহৈ ৱাতা খরা শিজিন্নখিবা মতুংদা ফোঙদোরকখিবনি হায়না ইফে ন্যুজনা হায়রি।

ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগা উনরবা মতুংদা য়ু এসকী প্রসিদেন্ট অসিনা হায়খি মদুদি, কিম জোং উনগী রেজিমনা প্রোব্লেম কয়া থোকহল্লে। মসি য়াম্না থুনা দিল তৌবা চংগনি।

ত্রম্পনা চয়োল অসিগী অথেঙবদা ৱাশিংটনদা সাউথ কোরিয়াগী অনৌবা প্রসিদেন্ট মুন জেন-ইনবুসু তরাম্না ওক্কনি। লুচিংবা অনীনা উনবদা নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়র অমসুং মিসাইল প্রোগ্রামনা মরু ওইনা খন্নরবা য়াই হায়রি।

ত্রম্পনা নোর্থ কোরিয়াগী মথক্তা খ্বাইদগী কন্না প্রেসর পীবগী তঙাই ফন্দবগী মতাংদা পনখ্রবনি। অমরোমদা কন্দিসন থমদবা মওং অমদা চঙশিনবা পাল্লি।

# বাশর অল-অশাদনা অতোপ্পা কেমিকেল এতেক অমসু পাঙথোক্লবা শেম শারি: য়ু এস



ৱাশিংটন, জুন ২৭:

সিরিয়াগী প্রসিদেন্ট বাশর অল বশাদনা মীচমশিংবু পাক্তক্লনা শিহনগদবা অতোপ্পা কেমিকেল খুৎলাইগী এতেক অমা চথনবা শেম শারম্বা য়াই হায়না হ্বাইট হাউসনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে অমসুং অসিগুম্বা এতেক অমা শোইদনা পাঙথোরকপা তারবদি রেজিম অসিনা মদুগী মমল চাওনা তীংগনি হায়খ্রে।

হ্বাইট হাউসনা হায়খি মদুদি, হৌজিক লৈরিবা শেম শাবগী মক্তনিং অদু অশাদকী রেজিমস হৌখিবা এপ্রিল রেবেলশিংনা পাইশিনলিবা টাউন অমদা কেমিকেল এতেক চথরমদাইদা তৌখিবশিংদুগা মান্না উই।

নুমিৎ খরনি লৈরগা ৱাশিংটননা সিরিয়ন রেজিমনা কেমিকেল খুৎলাইগী এতেক অদুবু লোঞ্চ তৌখিবনি হায়বা সিরিয়াগী এয়রভেজ অমদা ক্রুজ মিসাইল এতেক অমনা চথখি।

তোমহোবা মিসাইল ৫৯ গা লোয়ননা চথখিবা এতেক অদু য়ু এসনা সিরিয়ন রেজিমদা চথবা অহানবা দাইরেক্ট এতেক অমসুং জানুৱারি থাদা পৱার পাইখিবদগী ত্রম্পনা ওর্দর তৌখিবা খ্বাইদগী ঙক্কি ঙাই ওইবা মিলিটরি এক্সন ওইখি।

এতেক অদুনা ৱাশিংটন অমসুং মোস্কোগী মরীদশু অচৌবা চৈথেং অমা পীখি। মোস্কোনা ৱাশিংটননা ইন্টরনেসনল লো থুগাই হায়না মরাল শিখিবনি।

রশিয়ানা হৌখিবা ২০১৫ দগী ইস্লামিষ্ট এক্সট্রিমিষ্টশিংগী মায়োক্তা এয়রষ্ট্রাইকশিং চথরকখিবগা লোয়ননা সিরিয়ন রেজিমবু শৌগৎখি।

মরাল লৈজদ্রবা পীক্লিবা অঙাংশিং য়াওনা মীচম কয়া পাক্তক্লনা শিহনগদবা অতোপ্পা কেমিকেল খুৎলাইগী এতেক অমা পাঙথোক্লবা হায়দুনা অশাদ রেজিমনা শেম শাবগী মওং অমা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা খঙবা ঙল্লে হায়না হ্বাইট হাউসকী স্পোক্সমেন সোন স্পাইসরনা নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা ফোঙদোকখি।

পেরাগ্রাফ অনীগী কম্যুনিকে অদুনা অকনবা ৱাহৈ ৱাতাশিং য়াওবা ৱার্নিং অদু শৌখৎপা য়াবগী ইভিদেন্স অমৎতা পনখিদে।

এক্তিবিটিশিংদু হৌখিবা এপ্রিল ৪ দা কেমিকল খুৎলাই এতেক পাঙথোক্লিঙৈগী মমাঙদা হৌজিক্কী রেজিম অদুনা শেম শাখিবগা মান্নে।

রেবেলশিংনা কনট্রোল তৌবা খান শৈখুন টাউন্দা রেজিমনা চথখি হায়রিবা এপ্রিল থাগী কেমিকেল এতেক অদুদা অঙাং কয়া য়াওনা য়ামখ্রবদা মীওই ৮৭ শিখি অমসুং অশিবশিং অমসুং অৱা-অনা নংলবা মীশিংগী ইমেজশিংনা মালেম পুম্ববু খোইরাং খোইশাওহনখি। য়ু এসকী ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা মদু ৱার ক্রাইমগা মান্নে হায়খিবনি।

# য়ু এস অমসুং ইজরেলনা গ্লোবেল সাইবর এটেক্করশিং পুন্না থেঙনমিন্নরগনি

টেল অবিব, জুন ২৭:

লৈবাক কয়াগী মরু ওইবা নেসনল ইনফ্রাষ্ট্রকচরদা তার্গেট তৌদুনা হেন্না লুবা মওংদা এতেক তৌবা হেনগৎলক্লিবা সাইবর এতেক্করশিং থেংননবা ইজরেল অমসুং য়ু এসনা অৱাংবা থাক্কী পার্টনরশিপ অমা শেম্নবা হোৎনরি।

বাইলেটরেল ৱার্কিং গ্রুপ অদু হ্বাইট হাউসকী সাইবর সিক্যুরিটি কোওদিনেটর রোব জোইস অমসুং ইজরেলগী সাইবর ব্যুজিনেস মকোক ইভিএটর মাতোনিয়ানা লুচিংগনি হায়না য়ু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পকী হোমলেন্দ সিক্যুরিটি অমসুং কাউন্টর টেররিজমগী এদভাইজর তোম বেসেটনা ফোঙদোকখি।

য়ু এসকী মায়কৈদগী গ্রুপ অদুদা কোংগ্রেসমেনশিং এফ বি আইগী এজেন্টশিং অমসুং দিফেন্স অমসুং হোমলেন্দ সিক্যুরিটি দিপার্টমেন্টশিংগী মেম্বরশিং য়াওগনি ইজরেলনা সিন বেট ইন্টরনেসনল সিক্যুরিটি সার্ভিস ফোরন এফ্যের্স জষ্টিস অমসুং দিফেন্স মিনিষ্ট্রিশিং অমসুং মিলিটরিদগী মীহুৎশিং থাগনি।

পার্টনরশিপ অসিগী পান্দমদি সাইবর এতেক্করশিংবু থীদোকপা অমসুং নেটৱাকশিংদা লৈরিঙৈগী মমাঙদা অমসুং মখোয়না ক্রিতিকেল ইনফ্রাষ্টকচর য়ৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা সাইবর এতেক্করশিং অসিগী থৌওংশিং লেপহনবা লোয়ননা ফৎতবা এক্টরশিং অদুবু মখোয়না তৌরিবা থবকশিং অদুগী ফলশিং মায়োক্লহন্নবগী লম্বীশিং থীদোকপনি হায়না বোসার্টনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা সাইবর সিক্যুরিটিগী কনফরেন্স অমদা হায়খি।

ত্রম্প অমসুং ইজরেলি প্রাইম মিনিষ্টর বেজামিন নেটনয়াহুনা হৌখিবা ফেব্রুৱারি অমসুং মেদা উন্নদুনা ৱারী শান্নখিবা মতুং অমসুং য়ু এসনা জানুৱারিদা ইজরেলগা পুন্না পাঙথোকমিন্নবা সাইবর রিছার্চ পাকথোক চাওথোকহন্নবগী লেজিসলেসন অমা পাস তৌখিবা মতুং লৈবাক অনীগী সাইবরগী মরী চেৎশিল্লকখিবনি।

# মৱারি সিটি পায়শিল্লবা ইস্লামিষ্টশিংগা করিগুম্বা অমত্তদা নিগোসিয়েসন তৌনরোই: ফিলিপিন্স



মনিলা, জুন ২৭:

হোষ্টেজ কয়া ফাজিনবগা লোয়ননা সাউদর্ন টাউন অমা পাইশিন্দুনা লৈরিবা ইস্লামিষ্ট মিলিটেন্টশিংগা নিগোসিয়েসন অমত্তা তৌনরোই হায়না ফিলিপিন্সনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে। রেবেল লিদর অমনা মখোয়না ফাজিন্দুনা থম্বা কেথলিক প্রীষ্ট অমগা পুলিসনা ফাজিন্দুনা থল্লিবা মহাক্কী অহল-লমনশিংগা ওন্নবা পামই হায়বা রিপোর্টশিং ফোঙনরকখিবা মতুংদা ফিলিপিন্সনা রেবেলশিংগা নিগোসিয়েসন তৌনরোই হায়না ফোঙদোরকলিবনি।

প্রসিদেন্টগী স্পোক্সমেন আর্নেষ্টো অবেলিলানা হায়খি মদুদি, মরাৱি সিটিদা লোৎতুনা লৈরিবা মাউটে গ্রুপকা দিল অমত্তা তৌনররোই মরমদি মদু গভর্ণমেন্টগী পোলিসিগী মায়োক্তনি অমসুং অসিগুম্বা মন্ত্রিক্লবগী ওফর অমৎতা গভর্ণমেন্টনা য়াগদবা লৈতে।

ফিলিপিন্সকী পাউচে দেল্লি ইনক্বারিনা মাউটে গ্রুপ শেমখিবা মিলিটেন্ট মচিন মনাও অনীগী মনুংদা অমা ওইরিবা জুল মাউটেনা নোংমাইজিং নুমিৎতা লাইনিং লাইশোলগী ওইবা পাউখোলোই কাংবু অমদা মহাক্না মহাক্কী মমা মপাবু মরাৱিগী ভিকার জেনরেল ওইরিবা ফাদর টেরেসিতো চি সোগানবকা ওন্নদুনা থাদোক্লবা পামই হায়খিবগী পাউ ফোঙখি।

সোগানব অমসুং অতৈ খৃষ্টান ১০০ হেন্না ইস্লামিক ষ্টেটকা মরী লৈনবা লালহৌবশিংনা হ্যুমেন সিল্ডশিং ওইনা ফাজিন্দুনা থল্লি হায়না ওথোরিটিশিংনা থাজরি।

গভর্ণমেন্টগী টেররিষ্টশিংনা নিগোসিয়েসন তৌনদবগী পোলিসি মখা তানা চৎনরি, মরম অদুনা লোকল রিলিজয়স লিদরনা লুচিংদুনা ৱারী শানরিবদু গভর্ণমেন্ট, মিলিটরি অমসুং ঐখোয়গী পোলিটিকেল লিদরশিংগী অয়াবা য়াওদবনা মখোয়না তৌরিবা দিমান্দশিং য়ুম্ফম য়াওদবা ওইনা লৌগনি।

মীয়ামদা টেররিষ্টশিংনা মায়োক্ল হল্লিবা প্রোব্লেমশিং অমসুং মখোয়বু শৌগৎপশিংগী ওফেন্সশিং কয়াম চাওবগে হায়বসি খঙহনসি। মখোয়গী এক্সন খুদিংমক্তগী লাকপা ফলশিং মখোয়না মায়োক্লগদবনি হায়না অবেলানা পাউমীশিংদা হায়খি।

নোংমাইজিং নুমিৎতা ইদ অল-ফিটরগী হোলিদেগা মরী লৈননা পুরকখিবা অতেনবা মতমগী ত্রষ্ট অমগী খুদোংচাবা লৌদুনা মুস্লিম লিদর নিপান রেসক্যু টিমশিংগা লোয়ননা কনফ্লিক্ট জোন্দুদা চংখি অমসুং মাউটেগা ঙাইহাক উন্নখি। মদুগী নোংমগী মমাঙদা মিলিটরিনা মাউটেবু লানদাগী চেল্লবা মীশক্লি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

মাউটে মচিন মনাওশিংগী অপোকপা কায়মোরা মাউটে জুন ৬ তা মরাৱি খা নোংপোক্তা কিলোমিটর ১৪০ রোম লাপ্না লৈবা মন্দিনাও ঈথৎতগী ফাখি। মদুগী মতুং নুমিৎ হুম্নি লৈরগা মখোয়গী অপোকপী ফারহানা




## EMPLOYMENT NEWS

**SSB Recruitment – Sashastra Seema Bal – 355 Constable (GD) Sports Quota Vacancy Last Date 30 July 2017**

**SSB Recruitment 2017**

Sashastra Seema Bal (SSB) invites Application for the post of 355 Constable (GD) under Sports Quota for the year 2016-17 & 2017-18. Apply before 30 July 2017. Qualification/ eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

**SSB Job Details :**

**Post Name** : Constable (General Duty) under Sports Quota

**No. of Vacancy :** 355 Posts

**Pay Scale :** Rs. 5200-20200/-

**Grade Pay :** Rs. 21700/- (Per Month)

**Details of Vacancies :**

Football
Athletics
Volleyball
Basketball
Handball
Kabaddi
Aquatics
Cross- Country
Judo
Hockey
Fencing
Water Sports
Wrestling
Boxing
Weight- lifting
Gymnastics
Wushu
Taekwondo
Archery
Sepaktakraw
Shooting (Sports)
Equestrian and Cycling

**Eligibility Criteria for SSB Recruitment :**

Educational Qualification : Matriculation or its equivalent from a recognized board and Players who have participated in any International Sports events as a member of the Indian Squad for last 01 (One) year and players who have won medal(s) in any National Games/ Championships recognized by Indian Olympic Association, Sports Federation of (concerned sport) for last 01 (One) year.

**Nationality :** Indian

**Age Limit :** Minimum & Maximum age limit is 18 to 23 years

**Age Relaxation :** SC/ST Category 05 years & OBC Category 03 years

**Job Location :** All India

**SSB Selection Process :**

Selection will be based on Physical Standard Test, documentation & written examination.

**Application Fee :**

General/OBC category candidates have to pay Rs. 100/- through IPO/Demand Draft/ Banker Cheque i.e. IPO should be prepared in favour of in favour of Accounts Officer, FHQ, SSB, New Delhi payable at New Delhi & Demand Draft / Banker Cheque should be prepared in favour of Accounts Officer, FHQ, SSB, New Delhi payable at State Bank of India, R.K. Puram, New Delhi (Branch Code-01076).

**How to Apply SSB Vacancy :**

Interested Candidates may apply in prescribed application form along with self attested photocopies of age, qualification, experience, caste certificate, Bonafide/ Domicile/ Permanent residence certificate, Two self-attested recent passport size photographs, Two self-addressed envelopes of 11.5 cms x 27.5 cms with postage stamps worth Rs. 25/- affixed in & in an envelope should be superscribed as "Application For The Post Of Constable (GD) Under Sports Quota – 2016-17 & 2017-18? send to the Assistant Director (Sports) Force Hqr., Sashastra Seema Bal (SSB), East Block-V, R.K.Puram, New Delhi -110066 on or before 30.07.2017.

Important Dates to Remember :

Last Date for Submission of Application form : 30.07.2017

**Important Links :**

**Detail Advertisement & Application Form Link :**

http://www.ssbrectt.gov.in/docs/Advt%20sports%20quota%202017%20in%20SSB.pdf

**Notice :** http://www.ssb.nic.in/WriteReadData/LINKS/3783a8e92ab6-8f1e-4955-a85e-ab0b712aa71b.pdf